**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 4.05.2024)**

**উতম (এল)ঃ** সোসিএল ৱেলফিয়ারগী দিরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা হায়রি-রাজ্য অসিগী অঙাংশিং মপান লমদা থাবা মতমদা মমা-মপাশিংনা চাইল্ড ৱেলফিয়ার কমিতি (সি.ডব্লিয়ু.সি) গী অয়াবা মাংজোননা লৌগদবনি।

ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী উতমনা হায়-অঙাং নৎত্রগা কনাগুম্বা মীওইশিং অখন্ননা নুপীশিং অতোপ্পা রাজ্যশিংদা মহৈ-মশিং তম্বা নৎত্রগা থবক ইনখাংগী চৎপা ওইরবসু নীংথিনা য়েংশিনবা মথৌ তায়।

শ্রী উতমনা হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোক অমগী মতাংদা পল্লদুনা হায়-থৌবাল জিলাগী শলুংফমদগী নুপীমচা অমা ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই অমনা হায়দ্রবাদতা ফাজিনদুনা থমলে হায়বগী পাউ ফংবদগী বিভাগ অসিনা পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা নুপীমচা অসিগী লৈফম খঙদোকবা হোৎনখি। নুপীমচা অসিগী ইমুং মনুংনা থৌবাল পুলিসতা হীরম অসিগা মরী লৈননা কমপ্লেন অমা তোরম্বগা লোয়ননা নুপীমচা অসিগী লীখুন লীননবা সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা থবক লৌখৎখি। তুংদা, নুপীমচা অসি করনাতক্কাদা লৈরে হায়বা খঙবা ঙম্বদগী রাজ্য অদুগী পুলিস অমদি মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী মতেংগা লোয়ননা সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুতি দিরেক্তর-শ্রীমতি কে. সরোজানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা নুপীমচা অসি বেলগাউমদগী ফংবা ঙমখি। অদুবু, নুপীমচা অসিনা মঙোন্দা মহাক্কা চৎমিন্নখিবা মীওই অদুনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অকি-তুজংবা পোকহনবা লৈতে হায়না ফোংদোকখি। অদুবু, নুপীমচা অদু ইম্ফালদা পুরকখ্রে।

**থৌবাল (এল)ঃ** নেসনেল লাইফষ্টোক মীসনগী মীৎয়েং মখাদা জোইন্ট দাইরেক্সন দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট মীসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট অমদি মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসননা পুন্না খুৎশমরগা নুমিৎ হুমনি চুপা

চথংগদবা লৌমীশিং ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী থৌবাল ৱাংখৈ হুইদ্রোম লৈকাইদা লৈবা পাউনা হোলদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপা নুমিৎতা য়েন লোইবা, বৈগ্যানিক্কী ওইবা মওংদা ওকশিং লোইবা অমদি শেল মরাং কায়না করমা লাক্কনি হায়বগী মরমদা খন্ন-নৈনখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা লৌমী ১২০ লোমা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা, দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি থৌবালগী জোইন্ট দিরেক্তর-ডা: পি.গোজেন্দ্রো, ৱাংখেম জি.পিগী প্রধান, রিজনেল কলেজগী রিটয়ার্দ প্রোফেসারনা হায়-

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম পিছ কমিতি শেমখিবা চহি অমা মপুং ফারকপগা লোয়ননা কমিতি অসিগী চেয়ারমেন-তমাং পানমৈনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা কদমতালাদা লৈবা ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসকী কেম্পসতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী ঙমখৈদা লৈরিবা জিলা অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মফম অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্স নত্তনা চৎথোক চৎশিনদা কনাগুম্বা অমত্তনা অপনবা পীদনবা, প্রাইবেট বঙ্করনচিংবা শাহনদবা অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা মী অমসুং পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং চৎপদা অপনবা পীদনবা হোৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখি।

মীফম অদুদা কমিতি অসিদা য়াওরিবা কাংলুপ কয়াগী লুচিংবশিং, ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দিং ওফিসার-প্রকাশ, জিলা অসিগী এস.পি. এ. ঘনাশ্যামসু শরুক য়াখি।

**সোথিং (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী তাংলৈদা শারিবা দিষ্ট্রিক্ট সেসন কোর্ট বিল্ডিং অমদি উখ্রুল সহরগী ফুংরৈতাংদা শারিবা দিষ্ট্রিক্ট সেসন কোর্ট জজ বঙ্গলোবু মনিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস-সিধার্দ মিদুল অমসুং জজশিংগা লোয়ননা

য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা জষ্টিস-এ. বিমোল সিংহ অমদি জষ্টিস-এ. গুনেশ্বরসু শরুক য়াখি। মখা তারকপদা উখ্রুল জিলাগী দি.সি. ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী মিদুলনা হায়-দিষ্ট্রিক্ট জজ অনি অমসুং চীফ জ্‌দিসিএল মেজিষ্ট্রেট অমা জিলা অসিদা লেংদনা লৈহনদুনা মথৌ তৌহল্লগনি। মসি হেক তৌবগা ইম্ফালদগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা থবক তৌবদা খুদোংচাদবা অদু কোকহল্লগনি। দিষ্ট্রিক্ট অমদি সেসন কোর্ট শাবদা লম খোমচিনবনা অয়েৎপা ওইরম্বদু অথুবা মতমদা য়ান্নদুনা শেম শাবা খুমাং চাউশিন্নবা হোৎনরি।

**দান্স(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি নাট সংস্কৃর্ত্তনা শিনদুনা থা অমা চুপা চত্থরকখিবা 'বহুরুপ্পা দান্স দ্রামা' ঙসি দি.এম. য়ুনিভরসিতি কেম্পসতা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী হোলদা লোয়শিনখ্রে।

লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা একাডমী অসিগী দিরেক্তর-পুখ্রম্বম বিলাস, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভরমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বর-বুধা চিংথাম অমসুং ঠিয়েটরগী আর্টিষ্টিক দিরেক্তর-এম.সি. থোইবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিরেক্তর-পুখ্রম্বম বিলাসনা হায়-দান্স দ্রামা অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা বিল্লি হায়না খঙনরম্মী। অদুবু, বিল্লি অসি দান্স দ্রামা হায়না ওল্লকখিবদগী আর্ট এন্দ কলচর মপুং ওইনা লমদম অসিদা নীংথিনা খঙলবা লৈবাক অসিগী অখঙ অহৈ কয়ানা কুপা খন্নরবা মতুংদা ওল্লকখিবনি হায়না ফোংদোকখি।

**ব্লড (এল)ঃ** থা অমা চুপা চত্থগদবা ৱার্ল্ড রেড ক্রোস ডেগী পালন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি জেনিমস ব্লড সেন্টরদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স অমদি কংলৈ চনুরা অনিনা পুন্না খুৎশমনা শিনদুনা ফ্রন্টলাইন অমদি ভিলেজ ভোলুন্টিয়ারশিংদা কৎথোক্লবা ঈ হায়বা হীরমদা ব্লড দোনেসন কেম্পকী থৌরম

অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মীওই ১২ না ঈ দান তৌখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** খৃষ্টতিয়ান হেরিটেজ ইন্সটিট্যুট-তমেংলোংনা শিনদুনা ঙসি মহৈরোইশিংগীদমক কেরিয়ার কাউন্সিল্লিং পাঙথোকখ্রে। মদুদা করিমগাইলিয়ু আর. পানমৈনা ক্লাস টেন থাখ্রবা মহৈরোইশিংদা কেরিয়ার ওপসনগী মতাংদা শুগায়না তাকখি হায়রি।

**লৌমী (এল)ঃ** য়ুনিভরসিএল ফামরর্স খাঙবোকা শিনদুনা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রি লমলোং তাংখা লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

লোয়ননা লুপ অসিনা নোংজ্-পন্থানা লাকপগা লোয়ননা লৌউ-শিংউবগী থবক থৌরম পাঙথোকপদা হেন্না খুদোংচানবা মায়কৈ অদোমদা লৈবা পাৎ অমদি কনেলশিং শেংদোকপীনবা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী অকাশবানি ইম্ফালগী মেদিয়ম অমদি এফ.এম. চেন্নেল অনিদা অয়ুক পুং তরুক মিনিট ৪০ দা শন্দোকপা অখন্নবা থৌরমদা হয়েং-মীতৈ ফুরুপকী চৎন-কাংলোনশিংদা মহৌশাগী ফিভম ঙাক শেনবগী মমি হায়বা থৌরম অসি শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**কেম্পেইনঃ** লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা লৈজবী থাদুনা হোৎনরি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ঝরখন্দগী

পালামু অমসুং গুমলা জিলাশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। শ্রী মোদিনা হায়-এন.দি.এ. সরকারনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিগী লাইরবা মীওই কোতি ২৫ গী ফিভম ফগৎহনবা ঙমলে। মহাকা হায়-মীয়ামদা চেং লেমা পীবগী স্কিম অসি লাক্লিবা চহি মঙা মখা তানা চৎনখিগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-মহাক অমসুং মহাক্কী সরকার হৌজিক ফাওবদা শেঙ্গা থুমজা অমসুং স্কাম অমত্তগা চেন্নবা লৈত্রি।

**অমিতঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমদি গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-সেদ্যুল ত্রাইব, সেদ্যুল কাষ্ট অমদি ও.বি.সিগী রিজারভেসন অসি সংবিধানগী হকনি। মসি বি.জে.পি. সরকারনা লৈরিবমখৈ অদুম্মক চৎনখিগনি।

ৰাফম অসি ঙসি গুজরাটকী সোতা উদয়পুর অমসুং বন্সদাদা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা রেল্লিদা ৰাফম অসি শ্রী অমিত সাহনা ফোংদোকখিবনি।

শ্রী অমিত সাহনা মখা তানা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা শোথরবা কাংলুপকী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা বি.জে.পিনা খুমাং চাউশিন্না থবক কয়া পায়খৎলি। কোবিদ নাইন্তিন লায়চৎকী মতমদসু সরকার অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লায়চৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনখি।

**নিটঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা লৌবা অন্দরগ্রেজ্যেট মেদিকেল তমবা নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ত্রান্স টেষ্ট (নিট) পরিক্ষা হয়েং পাঙথোক্লগনি। পরিক্ষা অসিদা কুমশি চহিগী ওইনা লৈবাক অসিগী সহর ৫৫৭ তা লৈবা তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিং অমসুং মপান লৈবাক্কী সহর ১৪ দা পাঙথোক্কনি।

পরিক্ষা অসি ভারতকী মতম নুংথিল পুং অনিদগী পুং ৫ মিনিট ২০ ফাওবা পাঙথোক্কনি। পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী ফোটো, সিগনেচর অমসুং রোল নম্বরগী বার কোড য়াওবা, দাউন্দলোদ তৌরবা এদমিট কার্ড পুরক বা হায়রি। এজেন্সি অসিনা হায়-মহৈরোইশিংগী মশক তাকবা হায়রিবা

ৱারোলশিং এদমিট কার্ডতা য়াওদ্রবদি মহৈরোইশিংনা ওফিসিএল ৱেব সাইটতগী অমুক হন্না এদমিট কার্ড দাউন্দলোড তৌগদবনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী কিশ্বোর ভারত্তি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ২৮ শুবা সেনিয়ার ৱিমেন্স নেসনেল চেম্পিয়নসিপ রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি-২০২৩-২৪ গী গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদা মনিপুরগী নুপী ফুটবোল টিমনা সিক্কিমবু পাঞ্জল ৯-২ দা থোইখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ২১ রক তাইতল লৌবা ঙমখ্রবা মনিপুর টিমগী মায়কৈদগী ঙসি মেটচ অদুদা ঙাঙোম বালানা গোল ৫, অসেম রোজানা ৩ অমসুং হৈক্রেজম্ দায়ানা গোল অমা চনখি। মনিপুরগী মথংগী মেটচ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহারাস্ত্রগা শান্নগনি।

**ফূটবোল (এল)ঃ** শিংজমৈ ওহনাম থিঙেলদা চথরিবা মঙাশুবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল ওপন সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা-কারগো লৌরেম্বম লৈকাইনা দ্রেস হাউস পাৎশোইবু তাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা শগোলবন্দ এফ.সি-শগোলবন্দনা ব্রদরস স্তোর-ক্বাকৈথেলবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফূটবোল (এল)ঃ** অহানবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইস ফুটবোল লিখকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.জি.ই.এসনা ইশোক-এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরনা ক্রাউবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ফূটবোল (এল)ঃ** অন্দর সভেন্টিন খেল্লো ইন্দিয়া গালর্স ফূটবোল লিখকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুথ ৱেলফিয়ার ক্লবনা আই.সি.এস.এ. ইরেংবমবু পাঞ্জল

১০-১ দা থোইখ্রে।

১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিখ-২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা য়ঙ ফিজিক্স য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**লুৱাংশংবম (এল)ঃ** কুমারি নোংথোম্বম ধনি চনু, আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট পুনেদা অচ্যারি মশান্নদা সেলেক্সন ফংল্লকপদা দা নোর্থ ইম্ফাল দিবলপমেন্ট এন্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নিটসু) লুৱাংশংবমনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মহাক লুৱাংশংবম অৱাং লৈকাইদা লৈবা এন. ইমোবা অমদি এন. ন্যুতন দেবীগী মচানুপীনি।

**নিরমালাঃ** শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়রি-চাউখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা হয়ার এদুকেসনগী মরুওইবা অসিগী য়েংলগা কেন্দ্র সরকারনা ন্যু এদুকেসন পোলিসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমলি। ৱাফম অসি পুনেদা লৈবা দেকান কলেজ দিন, য়ুনিভরসিতিদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-২০১৪ গী মমাংদা চহি ৩০-৪০ রোম কেন্দ্র সরকারনা হয়ার এদুকেসনগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎলমদে। অদুমওইনমক, ২০১৪ দগীদি কেন্দ্র সরকারনা লম অসিদা মরুওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি।

**প্রসিদেন্তঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ মঙানিগী অরুনাচল প্রদেস খোঙচৎতা ঙসি অয়ুক শিমলাদা থুংখ্রে। শিমলা মনাক্কী কলিয়ানি হেলিপেথতা রাস্ত্রপতিনা থুংবদা মহাকপু হিমাচল প্রদেসকী রাজ্যপাল-শিব প্রতাব সুক্লা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-সুখবিন্দর সিংহ সুখুনা তরামা ওকখি। তুংদা, শ্রীমতি মুরমুনা মাসোবারাদা লৈবা রাস্ত্রপতি নিৱাস রিত্রিটতা চৎখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-রাস্ত্রপতি মুরমু হয়েং কুফ্রিদা লৈবা কেসমেন্ট

এরিয়াদা চৎকনি। মথংগী নুমিৎতনা ধরমাশালাদা লৈবা সেন্ট্রেল য়ুনিভরসিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি।

**তিলহৌ ঃ** কেন্দ্রনা মপান লৈবাকশিংদা তিলহৌ থাদোকপদগী অথিংবা থল্লম্বা অদু ঙসিদগী লৌথোকখ্রে। ফোরেন ত্রেদ দাইরেক্তোরেট জেনেরেলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ওর্দর অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌরে। মেত্রিক টন অমদা য়ামদ্রবদা দোল্লর ৫৫০ গী মমলদা তিলহৌশিং মপান লমদা থাদোক্কনি। মমাং থাদা কেন্দ্রনা বঙ্গলাদেশ,য়ুনাইতেদ আরব ইস্মরেটস, ভুতান, বেহরান, মাওরিসিয়স অমসুং শ্রীলঙ্কা হায়রিবা লৈবাক ৬ অসি খক্তদা তিলহৌ মেত্রিক টন লিশিং ৯৯ হেন্না থাদোকপগী অয়াবা পীখি।